## ট্রিপোলিদা অকনবা এয়রষ্ট্রাইক চত্থরগনি

বেনঘাজি, জুলাই ০১ (এজেন্সি) : ইষ্টর্ন লিবিয়ান মিলিটরি লিদর খালিফা হাফটর শৌগৎপা ফোর্সশিংনা কেপিটেল ট্রিপোলিদা লৈবা টার্গেটশিংদা অকনবা এয়রষ্ট্রাইকশিং চত্থবা হৌরগনি হায়না হাফটরগী কম্মান্দরশিংগী মনুংদগী অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখ্রে লোয়ননা মহাক্না ট্রিপোলিগী মীয়ামদা মিলিস্যা কাবুশিং অমসুং মিলিটরি কেম্পশিংদগী লাপ্না লৈনবা আপিল তৌখ্রে।

## ইরাং থোক্কদবা ৱাফম পন্দনবা হায়খ্রে

বৈজিং, জুলাই ০১ (এজেন্সি) : হোং কোংগী মতাংদা বৃটিশ গভর্নমেন্টনা চাইনাগা মমাংদা খুৎয়েক পীনখিবা জোইন্ট দিক্লারেসন ঙাক্লা চৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা বৃটেন্না লৈবাক অসিগী কোলোনি ওইরম্বা হোং কোংদা ইরাং থোক্কদবা ৱাফমশিং মখা তানা পল্লোইদবনি হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হায়খ্রে।

# বৃটিশনা চাইনিজ লৈঙাক্তা হোং কোং শীন্নখিবগী কুমওন নুমিত্তা প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্লখ্রে



হোং কোং, জুলাই ০১ (এজেন্সি): ক্রাইমদা চেন্নৈ হায়না মরাল শীরবা মীওইশিংবু চাইনাদা এক্সট্রাদিসন তৌবা য়াহনগদবা বিল অমা পাস তৌনবা হোৎনবগী মতাংদা হোং কোংগী মীয়াম্না পাক শন্না ইরাং হৌরিঙৈ চৈরক্তা কুমজা ১৯৯৭ তা সিটি অসিবু চাইনিজ লৈঙাক্তা শীন্নখিবগী কুমওন নুমিৎ নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রোটেষ্টর কয়ানা হোং কোং গভর্নমেন্টগী লেজিসলেটিভ কাউন্সিলগী বিল্ডিংদা থোমজিন্দুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখিবগা লোয়ননা প্রোটেষ্টরশিং অমসুং পুলিসকী মরক্তা খুৎ থোক্লখ্রে।

যু কেনা চাইনিজ লৈঙাক্তা হোং কোং শীন্নখিবগী কুমওন নুমিত্তা প্রো-দিমোক্রেসি দেম্মোনষ্ট্রের লিশিং কয়া সিটি অসিগী লম্বীশিংদা থোরক্তুনা হোং কোং গভর্নমেন্টনা থৌরাং তৌরিবা এক্সট্রাদিসনগী লেজিসলেসন অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি। অয়াম্বনা মহৈরোয়শিং ওইবা মকোক্তা অকনবা তুপীশিং অমসুং মায়খুম উপ্পা অমদি মেটল ট্রোলি, য়োৎকী পাইপনচিংবা শীজিন্নবা মহৈরোয় কাঙবু অমনা ফাইনান্সিএল সেন্টর অদুগী মনাক্তা লৈবা গভর্নমেন্ট কম্পাওন্দদা থোমজিন্দুনা লেজিসলেটিভ কাউন্সিলগী বিল্ডিংগী মমাং থংবা গ্লাস ৱাল থুগায়খি।

হেলমেট উপ্পা অমসুং বেটন পায়বা রাইওট পুলিস কাঙবুনা প্রোটেষ্টরশিং অদুবু তানখায়নবা হোৎনবদা পেপ্পর স্পেপ্র কাপশিনখি। ৱাথোক ওইরিবা বিল অদুগী মায়োক্তা পরিং নাইনা চত্থরকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী রেলি অদুনা খ্বাইদগী নৌবা ওইখি।

প্রোটেষ্টরশিংগী প্রেসরদা খাঙবা ঙমদদুনা হোং কোংগী চীফ এগজিক্যুটিভ কেরি লাম্না ৱাথোক ওইরবা বিল অদুগা মরী লৈনবা থবক পুম্বা জুন ১৫দগী লেপহনখিবা মতুংদসু মীয়ামগী রেলিশিংদি লেপ্তুনা চত্থরকখিবনি। প্রোটেষ্টরশিংনা তৌরিবা দিমান্দশিংগী মনুংদা হৌজিক্তি কেরি লাম মফম থাদোক্কদবনি হায়বসু য়াওরিবনি।

# টালিবান্না অফঘান কেপিটেল কাবুলদা বোমগী এটেক চত্থবদা মীওই ৩৪ শিরে



কাবুল, জুলাই ০১ (এজেন্সি): অঘফান কেপিটেল কাবুলদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী মী চিল্লকপা মতমদা মতিক ময়াই লৈরবা বোম অমা পোকখায়রকখিবদা য়ামদ্রবা মীওই ৩৪ শিরে হায়না অফঘান ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোদখ্রে।

চৈরকসিদা বোমগী এটেক অদু টালিবান্না মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। অফঘানিষ্টান্দা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী মতাংদা কটরদা টালিবানগী দিলিগেসন অমগা যু এস রিপ্রজেটেটিভমশিংগা তরেৎশুবা রাউন্দগী ৱারী চত্থরিঙৈদা টালিবান্না অফঘান কেপিটেলমক্তদা মতিক ময়াই লৈরবা বোম অমা পোকখায়হন্দুনা এটেক অদু চত্থরকখিবনি।

থৌদোক অদুবু উহৌবা মীওই অমনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, কাবুলগী সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখত্তুনা লৈবা উল-ঈ-মোহমৌদ খান এরিয়াদা লৈবা শাবা লোইদ্রিবা বিল্ডিং অমদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা মিলিটেন্টশিং চঙশিনখি অমসুং মখোয়গা মফম অদুদা ফিভম লাকশিন্নবা চঙশিনখিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা নোংমৈ কাপ্পখি। মীওই অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মিলিটেন্টশিংনা অহানবদা এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না য়াওবা কার অমা পোকখায়হনখি অমসুং মদুগী মতুংদা বিল্ডিং অদুদা ঙাক শেন্দুনা লৈরিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা নোংমৈ কাপশিনখি।

# সিরিয়া-ইজরেল লান্দা কাপখিবা মিসাইল অমা শোয়বদগী সাইপ্রসতা পাইশিন্দুনা কায়খ্রে



নিকোসিয়া, জুলাই ০১ (এজেন্সি): ইজরেল অমসুং সিরিয়াগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা হায়দোরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ওফিসলশিংনা থাজনবা মিসাইল অমা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা সাইপ্রস তান্না পাইরক্তুনা কায়খ্রে হায়রি।

মিসাইল অদু মী কুংনা তারিবা সাইপ্রসকী কেপিটেল নিকোসিয়া লান্দুনা পাইরগা চীংমায় অমদা তাশিন্দুনা কায়খি হায়না ওফিসলশিং অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মিসাইলদুগী ৱারহেদনি হায়না থাজনখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অমা নিকোসিয়াগী অৱাং নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্না লৈবা ভৌনো হায়না খঙনবা তাস্কেনগী লমদম অমদা নোংমাইজিং নুমিৎকী নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তাবদা থোকখি। পোকখায়বগী মখোল অদু মাইল কয়ারুম লাপ্না তানখি। তৌইগুম্বসুং থৌদোক অদুদা মীশি-মীনাদি থোকখিদে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

অচৌবা পোকখায়বগী থৌদোক থোকখিবা মতমদুদা ইজরেলনা সিরিয়াগী মায়োক্তা এয়রষ্ট্রাইক অমা চত্থখি হায়রি। সিরিয়াগী এয়র দিফেন্সশিংনা ইজরেলগী এটেক অদুগী পাউখুম পীদুনা মতিক চাবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা খুৎ হনখি হায়না সিরিয়ন ষ্টেট মিদিয়ানসু ফোঙদোকখি।

সাইপ্রসতা মিসাইল তাশিল্লকখিবা অদুগী মতাংদা টর্কিস সিপ্রিয়ট ফোরেন মিনিষ্টর কুদ্রেট ওঝের্সেনা ফেসবুক পোষ্টকী খুৎথাংদা ফোঙদোকখিবদা, অহানবা ইনভেষ্টিগেসনদা হৌখিবা অহিংদা সিরিয়াগী মায়োক্তা ইজরেলনা এয়রষ্ট্রাইক চত্থখিবগী পাউখুম ওইনা সিরিয়াগী এয়র দিফেন্স সিষ্টেমগী শরুক অমা ওইনা সিরিয়ানা কাপ্লকখিবা রসিয়ানা শাবা মিসাইল অমা খুৎলায় অসিগী রেঞ্জ মপুং ফারবা তুংদা সাইপ্রসতা তাশিনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ। লৈমায়দা কোম্লচিংবা অচৌবা পোকখায়বগী থৌদোক্লা শেন্লম্বগী ফিভমশিং থেংনদবনা মিসাইল অদু লৈমায়দা য়ৈশিন্দ্রিঙৈগী মমাংদা নোংথক্তা কায়খিবা ওইরম্বা য়াই হায়না লৌনরি। অকায় অতোই মচেৎ কয়া মফম কয়াদা চাইথোক্লম্বা থেংনখিবা অসিনা মিসাইল অদু নোংথক্তা পোকখায়খি হায়বসি প্রুভ তৌজরে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। সিরিয়াগী নোংচুপলোমদা লৈরিবা সাইপ্রস অসি ইজরেল অমসুং সিরিয়াগী লান্দা হেক হেক চেন্নরকপা য়াবগী থৌদোকশিং মমাংদসু থোকখ্রে।

# ইরান্না য়ুরেনিয়ম পৈশিনবগী চাং ন্যুক্লিয়র দিলদা পল্লিবা য়ানখিবা পনখৈদগী হেল্লে : সোর্সশিং

দুবাই, জুলাই ০১ (এজেন্সি): ইরানগী মথক্তা যু এসনা অথিংবা কয়া থল্লবসু লৈবাক অসিনা কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী মরু ওইবা পৱারশিংগা খুৎয়েক পীনখিবা ন্যুক্লিয়র দিলগী ৱাফমশিং চেৎনা ঙাক্লুবা দিল অদুদা খুৎয়েক পীবদা য়াওরিবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা ইরানদা পীরিবা চেকশিনৱা থওইদবগী মওংনি হায়না লৌনবা খোঙথাং অমদা টেহরান্না দিল অদুদা পীরিবা পনখৈগী ৱাংমদা এনরিচ য়ুরেনিয়মগী চাং হেন্না পৈশিল্লে হায়না সোর্স অনীনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রোইটর্সতা ফোঙদোকখ্রে।



ইরানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগা মরী লৈননা ঐখোয়না লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং মখা তানা লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লৈরিঙৈসিদা লৈবাক অসিনা এনরিচ তৌরবা য়ুরেনিয়ম পৈশিনবগী চাং কে জি ৩০০ হেন্দাকখ্রে হায়না সোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

সেমি-ওফিসল ফারস ন্যুজ এজেন্সিনা সোর্স অমা পল্লদুনা হায়, য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ইন্টরনেসনল এটোমিক এনর্জি এজেন্সি (আই এ ঈ এ)না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইরান্না পৈশিলল্লিবা ন্যুক্লিয়র মচাক-মথুমশিংদুগী চাং ওনখি। আই এ ঈ এগী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা কমেন্ট লৌবা ঙমখিদে।

নেম্লবসু নেম্না ফিসাইল মেটরিয়েলগী চাদা ৩.৬ ফাওবগী থাক্তমক য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট তৌবা হায়বসি ইরানবু ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ অমা শাবা য়ানবগী অৱাংবা থাক্তা এনরিচ তৌবা য়ুরেনিয়ম মতিক চানা পৈশিনবা ঙমহন্নবগী প্রোসেস অমগী অহানবা খোঙথাংনি হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্লরি। হৌখিবা য়ুমশকৈশাদা ইরানগী অনেম্বা থাক্তা এনরিচ তৌবা য়ুরেনিয়ম চাওরাক্লা কে জি ২০০ রোম লৈরে হায়না আই এ ঈ এনা ভেরিফাইদ তৌখি।

মদুগী চাং অদু দিল অদুদা পীরিবা কে জি ২০২.৮কী পনখৈদগী খজিক্তমক হন্থরিবনি হায়না এজেন্সি অদুগী থবক থৌরাংশিংগী মরমদা কুপ্না খঙবা দিপ্লোমেট অহুম্না রোইটর্সতা ফোঙদোকখি। ইরাই নুমিত্তা ভিয়েন্নাদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ইরান্না য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা লল্লোন-ইতিক্কী হীরমদা যু এসকী অথিংবশিংগী মায়োক্তা টেহরানবু মতেং ইপাং পাংদে হায়রদুনা ন্যুক্লিয়র দিলগী ৱাফম কয়া ঙাক্লরোই হায়না লাউথোকখিবনি।

# সোমালিয়াদা অল-সাবাব ৮ হাৎখ্রে



মোগাদিসু, জুলাই ০১ (এজেন্সি): সোমালিয়াগী খা থংবা লমদম বাকোলগী হুদুর টাউন্দগী কিলোমিটর ৩০ রোম লাপ্না লৈবা মোরো গাবে কৌবা খুঙ্গং অমদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং অল-সাবাব এক্সট্রিমিষ্টশিংগী মরক্তা থাংজ নুমিৎকী অহিংদা খুৎ থোক্লখিবদা মিলিটেন্ট ৮ সোমালি ফোর্সশিংনা হাৎখ্রে অমসুং অতৈ মিলিটেন্ট ১২ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

খুঙ্গং অদুগী মীয়ামদগী নমদুনা টেক্স খোমদুনা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা এটেক চত্থখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকখিবনি হায়না হুদুর টাউনগী কম্মিস্নর মোহম্মদ মোলিম অহমদনা নোংমাইজিংদা নুমিত্তা জর্নেলিষ্টশিংদা ফোঙদোখিবা ৱাফম পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়রি।

গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা রেইদ অদুদা টেররিষ্ট ৮ হাৎপা ঙমখি অমসুং অতৈ টেররিষ্ট ৮ না অশোক-অপন নংখি। গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মায়কৈদসু ওপরেসন অদুদা লান্মী ৪ শিখি অমসুং অতৈ অনীনা অশোক অপন নংখি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা লুল ওমর কৌবা মফম অদুগী মীওই অমনা ফোনগী খুৎথাংদা সীন হুৱাদা ফোঙদোরকখিবদা, খুৎলায় মতিক চানা পায়বা গভর্নমেন্ট লান্মীশিংনা ভিলেজ অদুদা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্টশিংদা খঙহৌদনা এটেক তৌখি অমসুং নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কন্না কাপ্পখি। খুৎ থোক্লবা অদুদা মীশি-মীনা কয়া থোকখ্রবসু ঐখোয়না চপ চাবা মশিংদি পীবা ঙমদ্রে।

থৌদোক অদু শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অদুগী খা থংবা লমদম লৱার জুবেগী জমামে টাউনদা চত্থখিবা ওপরেসন অমদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা অল-সাবাব মিলিটেন্ট ৮ অমসু হাৎখিবা মতুংদা থোক্লকখিবনি। সেন্ট্রেল অমসুং সাউর্দন লমদমশিংদা সোমালি ফোর্সশিংনা অল-কাইদাগা মরী লৈনবা লালহৌবা গ্রুপশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন চত্থদুনা লাক্লিবনি।

## লিবিয়াদা টর্কিস সিটিজন তরুক থাদোকখ্রে

অঙ্কারা, জুলাই ০১ (এজেন্সি) : কম্মান্দর খালিফা হাফটর শৌগৎপা ফোর্সশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা টর্ক তরুক থাদোকখ্রে হায়না টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

টর্কিনা হাফটর শৌগৎপা মিলিস্যা কাঙবু অদুদা মখোয়না ফাজিন্দুনা থল্লিবা টর্কশিং অদু খুদক্তা থাদোক্তবদি মখোয়বুসু লানগী টার্গেট অমা ওইনা লৌদুনা মিলিটরি ষ্ট্রাইক চত্থরগনি হায়না চেকশিনৱা হায়খিবা মতুং নোংমখক কান্নরগা টকশিং অদু থাদোকখিবনি।

লিবিয়াগী লান অদুদা টর্কিনা ট্রিপোলিদা লৈরিবা মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্ট শৌগৎলিবনি। লিবিয়াগী কেপিটেল ট্রিপোলি পায়শিন্নবা হোৎনরদুনা কম্মান্দর হাফটরগী লিবিয়ান নেসনল ফোর্স (এল এন এফ)না হৌখিবা এপ্রিল ৪ দা অকনবা কেম্পেন অমা হৌখিবনি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবগী ওইনদি হাফটরবু শৌগৎপা ফোর্সশিং অদু ট্রিপোলি গভর্নমেন্টকী ফোর্সশিংনা সিটি অসিদা চঙবা ঙমহন্দনা থল্লিবনি। টর্কিস ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন্না লিবিয়াদা থাদোকখিবা টকশিং অদু টর্কিদা হল্লকপগী মহুত্তা মফম অদুদা থবক তৌদুনা লৈবা পান্থবা মীওইশিংনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ট্রম্প-কিম মীটিং চাইনা তরাম্না ওকখ্রে

বৈজিং, জুলাই ০১ (এজেন্সি): যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উননা কোরিয়া অনীগী বোর্দরদা উনখিবা অসি তরাম্না ওক্লিংঙাই ওইবগা লোয়ননা কান্নগদবা খোঙথাং অমনি হায়না চাইনিজ গভর্নমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



নোংমাইজিং নুমিত্তা ট্রম্পনা কিমগা লোয়ননা দিমিলিটরাইজ জোন (দি এম জেদ) লান্দুনা কিমগা জোইন্ট সিক্যুরিটি এরিয়াদা উনদুনা ফম পায়রিঙৈদা নোর্থ কোরিয়াদা চৎপা অমেরিকাগী অহানবা প্রসিদেন্ট ওইখি। মদুগী তুংদা লুচিংবা অনীনা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ঈনগা পুনমিন্নদুনা ফ্রীদম হাউসতা পুং অমরোম ৱারী শান্নখি হায়না ইফে ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

লুচিংবা অনীনা কোরিয়াদা উনখিবা অসি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অফবা খোঙথাং অমনি। মরু ওইনা মদু দি পি আর কে (নোথ কোরিয়া) অমসুং যু এসকী মরক্তা ইকুই কুইদবা মতমগী মনুংদা অমুক হন্না ৱারী মখা চত্থবা য়ানবগী মরু ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন গেং সুৱাংনা নুংতিগী ওইনা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমনা হায়খি। মহাক্না মখা তানা প্রেস কনফরেন্স অদুদা হায়খি মদুদি, হন্দক্তা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা নোর্থ কোরিয়াদা ওফিসল খোঙচৎ অমা চৎখিবা অদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা শোকহল্লিবা পোলিটিকেল ইশ্যুশিং লৈখায় তানবা হোৎনদবা য়াদে হায়বসি উৎলি।

# টাইৱানগী প্রসিদেন্ট য়ু এসতা চৎলগনি





টাইপৈ, জুলাই ০১ (এজেন্সি): টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই-ইং-ৱেন থা অসিগী মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা অসিদা অহিং মরি লেন্দুনা ইথৎ অসিগা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নবা করিবিন লৈবাকশিংদা চৎকনি হায়না টাইৱান গভর্নমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেনগী য়ু এসতা পনবগী থৌরাং অসিনা চাইনাবু খোইরাংখোইশাওনখিবগা লোয়ননা বৈজিংনা ৱাশিংটন্দা মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা থিংনবা তকশিনখ্রে। চাইনানা মশানা লৈঙাকচরিবা টাইৱান অসি লৈবাক অতৈগো ষ্টেট মশেলগী ওইবা মরী থম্নবগী রাইট লৈতবা চাইনিজ প্রোভিন্স অমনি হায়বগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনাগী মরীদা টাইৱানগী ৱাফম অসিনা খুরৌ চাওনা থাংহল্লিবনি হায়রি। পনবা য়াবদি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা টাইপৈগা ওফিসল মরী থম্নবা লৈত্রবসু য়ু এসনা ইথৎ অসিগী খুৎলায় সপ্লাইয়র ওইবগা লোয়ননা দিপ্লোমেসিগী লমদসু থেংখাং কয়াদা শৌগত্তুনা লাক্লিবনি।

খোঙচৎ অদুগী মতাংদা পল্লদুনা টাইৱানগী দেপ্যুটি ফোরেন মিগুএল সাওনা হায়খি মদুদি, প্রসিদেন্ট সাইনা জুলাই ১১ দগীনা ২২ ফাওবগী মনুংদা সেন্ট ভিন্সেন্ট অমসুং গ্রেনাদিন্স, সেন্ট লুসিয়া, সেন্ট কিটস অমসুং নেভিস লোয়ননা হাইটিদা চৎপা খোঙচৎ অনীদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা অহিং অনী/অনী লেনগনি।

খোঙচৎ অদুগী য়ু এসতা পনবগা মরী লৈনবা প্রোগ্রামগী অকুপ্পশিং হৌজিক মপুং ফানা লেপত্রি হায়না মহাক্না মখা তাখি। বৈজিংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুৱান্না ৱাশিংটনদা সাই ইংগী কেরিবিন খোঙচত্তা য়ু এসতা ফাওবা অমদি পনবগী অয়াবা পীদনবা আপিল তৌখি।

খঙহঞ্জবা

M/S Lairikyengbam Enterprises না পুথোকচবা "YES" অমদি Delight brand গী Packaged Drinking Water Bottle খরদা Batch No./Lot No. নমখিদবা বোট্টল খরা য়াওখ্রে। য়োনবীরিবশিংনা থেংনবিরবদি ঐখোয়গী দিলরশিংদা পাউ পীবিয়ু নৎত্রগা ফোন নম্বর ৯৬১২১৩০৮৫৭ অসিদা ফোন তৌবিরকউ।

HL-P/3304/2 Sd/- M/S Lairikyengbam Enterprises

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL EAST, SAWOMBUNG**

**Ref :- Mut. Case No. 536/SDC/SWG of 2019 dt. 1/7/2019**

Parties :- Pangambam Deven Singh S/o P. Nipamacha Singh of Kongba Kshetri Leikai. ...Petitioner

-Vs-

Late Pattadar - Pangambam Nipamacha Singh S/o (L) Bapu Singh of Uchekon. ...Opposite Party

**NOTICE**

Sawombung, the 1st July, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ঈ ঈ তহশিলগী খুল নং ৩০-পৌরাবি, পাট্টা নম্বর ৬৪২ (অরিবা), ৬১৪ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৫০৬, মোট এরিয়া ০.৭০ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার পাঙম্বম নিপামচা সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মীং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

HL-P/3219/2 *Sd/- I. Julius Singh*
Sub-Deputy Collector, Imphal East, Sawombung

**/REGISTRATION CERTIFICATE LOST**

I have lost my Original Registration Certificate bearing Registration No. 16420325 of 2016 issued by Manipur University on the way between Manipur College and Uripok on 29th June, 2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Thounaojam Nikesh Singh
Uripok Panchai Maning, # 9366171174
HL-P/3916/2

# টেক্সাস এয়রপোর্টতা প্লেন কায়বদা মীওই ১০ শিরে

ৱাশিংটন, জুলাই ০১ (এজেন্সি): এঞ্জিন অনী পানবা পেসেঞ্জর প্লেন মচা অমা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী টেক্সাসতা লৈবা এয়রপোর্ট অমদা কায়বদা মীওই ১০ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

দল্লাস কাউন্টিগী মেদিকেল এগজামিনরনা থৌদোক অদুদা মীওই ১০ শিরে হায়বা কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা প্লেন অদুদা তোংলকখিবা মী অমত্তা হিংদ্রে হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

ফ্লাইট ক্রু অনী অমসুং পেসেঞ্জর ৮ তোংবা প্লেন মচা অদু দল্লাস এরিয়াগী এয়রপোর্ট অমদগী পাইখৎখিবদা খঙহৌদনা হেঙ্গর অমদা পাইশিন্দুনা কায়খিবনি।

প্লেন অদু ফ্লোরিদাগী সেন্ট পিটর্সবর্গ য়ৌগদবনি হায়না নেসনল ট্রান্সপোটেসন সেফটি বোর্দ (এন টি এস বি) গী ভাইস চ্যেরমেন ব্রুস লান্দসবর্গনা ফোঙদোকখি। এয়রক্রাফট অদু লৈমায়দগী পাইখৎখিবা মতমদা এঞ্জিন অমা ফেল ওইরকপদগী হেনগর অদুদা পাইশিনখিবনি হায়না সোর্স খরনা ফোঙদোকখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

**CAS COACHING CENTRE**
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
**ADMISSION OPEN**
**REGULAR MEDICAL COURSE**
**FOR NEET EXAM 2020**
Concession for CASIANs & Rank holders
Some seats are lying vacant First Come First Served
**FOUNDATION COURSE**
**CLASSES XI & XII**
New Classes just started, some seats lying vacant
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
HL-B/5411/2,3
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal